ꯏꯔꯩꯕꯥꯛ
ইরৈবাক

১৯ শুবা চহি ২৮৫ শুবা মশিং | ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫, ২০২১ হিয়াঙ্গৈ ২১ নি পানবা শগোলশেন | www.ireibak.in | লুপা ১.৬০

এস টি দি সি এম গা মরি লৈনদে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিতিগা মরি লৈননা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিতি ওফ মনিপুর, এস টি দি সি এম গা মরি লৈনদে হায়না কম্মিতি অসিগী পব্লিসিতি সেক্রেটরিগী চেরোলদা হায়রি। কম্মিতি অসিগী লিচিং মখাদা মনিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মৈতে। মীতৈসু এস টি লিষ্টতা য়াওহন্দুনা অতে মান্নবা য়েলহৌ ফুরুপশিংদা পিবগুম মশাগী শক্তম ঙাকচনবা কন্সটিট্যুসনগী ঙাকলৌ পিবিয়ু হায়দুনা ইন্দিয়া অমদি মনিপুর লৈঙাক্তা ২০১২ কী অরোইবা শরুক্তগী তান্দুনা লাক্লি। মসিদা থা অসিগী ২৫ দগী পুং ৭২ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাওথোক্লিবসিগা মরি লৈনদে হায়রি।

মনিপুর লৈঙাক্না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ৮৪ পুমলেন পাৎতা সর্ভে চথখিবা

ওল পোলিটিকেল পার্টিমীফম কৌদুনা ৱারোইশিন পুরকউ এ দি সি গী বিলদা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌরোইসি–জয়কিষন

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ দি মনিপুর (হীল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল বিল ২০২১ মনিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লি মীফমদা পুথোক্কুনা খন্নদে হায়রিবা অসিদা অথুবা মতমদা মনিপুর লৈঙাক্না ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম কৌদুনা ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনবিয়ু। লৈঙাক অসিনা চীং তম পুনশিন্নবা অমদি বন্দ ব্লোকেদ লৈতনবা হোৎনরিবা অসিদা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন খায়দনা হোৎনসি হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন্না হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি খুয়াথোং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা এম এল এ জয়কিষন্না ফোংদোক্লদুনা হৌজিক লমদমসিগী মীয়ামদা অৱাবা পিরিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিদা মনিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিতিনা অয়াবা পিরৱা, হীল এরিয়াজ কম্মিতি অসি এসেমব্লিদা লৈরিবা চীংগী এম এল এ শিংনা শেম্বনি। হীল এরিয়াজ কম্মিতিদা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন্দা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিগী এম এল এ শিং য়াওরি।

মহাক্লা হায়, এম এল এ শিং অসি পোলিটিকেল পার্টিশিংদা এফিলিয়েৎ তৌবা ঙাক্তংনি। হায়রিবা হীল এরিয়াজ কম্মিতিনা থাগৎলক্লিবা দি মনিপুর (হীল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল বিল অসি কম্মিতি অসিদা য়াওরিবা এম এল এ শিংনা এফিলিয়েৎ তৌরিবা পার্টিশিং হায়বদি বি জে পি, কংগ্রেস, এন পি এফ অমদি এন পি পি গী প্রসিদেন্টশিংগী অয়াবা লৌরৱা হায়বসি খন্ননিংঙাই ওই। ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল বিলগী মতাংদা ফোংদোক্লরক্লিবা ৱাফমশিং অসিনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা অমসুং ভোৎ বেঙ্ক শাগৎপগী মওংদা তৌরিবা অসি অফবা খুদম নত্তে।

লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক পায়খৎলকপা অফবা থবকশিংদা ফরবদি ফৈ হায়গনি, ফৎত্রবদি ফত্তে হায়গনি। লৈঙাক্কী থবক্তা অশোইবা লৈরবদি কন্সত্রক্টিব ওইবা সজেসন পিদুনা লাক্লি। মখা তানা পিখিগনি। মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনা লমদম অসিদা বন্দ অমসুং ইকোনোমিক ব্লোকেদনচিংবা তৌহন্দনবা চংশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি অফবনি, শৌগৎলি। মসি লৈঙাক অসিগী এচিভমেন্টনি। বন্দ ব্লোকেদ তৌবনা মনিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্তা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা মায়োক্ক হল্লি। ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অসি অথুবদা হন্দোকপিয়ু হায়খি।

চীংমি তম্মি নুংশিননা লৈমিন্নবা হায়বসি লমদম সিগী অফবনি। লোইননা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী বিল অসি লিগেল এক্সপার্টশিংগী মত লৌরগা কন্সটিট্যুসন্না য়াই য়াদে হায়বা ৱাফম অদু মুন্না খন্নরগা এসেমব্লিদা পাস তৌবা হায়বদু করিসু ওইবা থবক নত্তে। মরম অদুনা মহৈরোয়শিংনা হৌজিক চথরিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসি অথুবা মতমদা হন্দোকপগা লোইননা কাউন্টর ব্লোকেদ তৌগনি হায়রিবা অসিসু হন্দোকপিয়ু হায়খি।

পনবা য়াবদি হীল এরিয়াজ কম্মিতিনা রিকমেন্দ তৌখিবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল বিল ২০২১ মনিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী স্পিসিয়েল সেসন কৌরগা খন্নৌ হায়না মনিপুর লৈঙাক্তা তকশিল্লদুনা মহৈরোয় লুপ ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন মনিপুর (অটসুম) না মনিপুরগী নেস্নেল হায়ৱেদা ইন্দিফিনিৎ ইকোনোমিক ব্লোকেদ চথরিবনি। ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিনা নেস্নেল হায়ৱেশিং ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী, ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অমদি ইম্ফাল মোরে লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গারিশিংদা অথিংবা পিবদগী মীয়াম্না য়াম্না চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

অমরোমদা থা অসিগী ১৫ গী নুমিদাং প্রেস্তগী মশাগী দ্যুতি লোইরগা ময়ুমদা হনখিবগী লম্বীদা নোংমৈবুং নান্দেবম চুথেক্তা গারি এক্সিদেন্টতা শোক্লবা নহারোল থৌদাং পাউচেগী সেনিয়ার রিপোর্টর থোকচোম রোকিগী খুরাই কোংপাল কোংখামদা লৈবা য়ুমদা এম এল এ জয়কিষন্না চত্তুনা শেলগী মতেং পাংখ্রে।

রোকি জেনিমসকী ন্যুরো সর্জরি ৱার্দতা চয়োল অমরোম লায়েংদুনা লাকখিবনি। ঙরাং য়ুমদা রিফর তৌরকখিবনি। এম এল এ জয়কিষন্না এম এল এ ওইদ্রিঙৈদগী ঙসি ফাওবদা পাউমীশিং অনা অয়েক অমদ অশোক অপন য়াওরকপদা শেলগী মতেং পাংদুনা লাক্লি। লমদমসিবু অওনবা অমদি চাওখৎপা অমা পুরকপদা মেদিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না এম এল এ জয়কিষন্না হায়খি।

পুং ২৪ দা মীওই ১৮৮৮ টেষ্ট তৌবদা ৩৯ পোজিটিব ওইরে মীওই ২ না লৈখিদ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মনিপুরদা নৌনা মীওই ৩৯ কোভিদ পোজিটিব ওইখি। কোভিদনা মীওই ২ লৈখিদ্রে। কোভিদ ১৯ কন্মন কন্ত্রোল রুমগী চেরোলদা পুন্না মীওই ১৮৮৮ টেষ্ট তৌবদা চাদ ২.১ গী চাংদা মীওই ৩৯ পোজিটিব ওইখি। জেনরেল পোপুলেসন্দগী নুপা ২৮, নুপী ১১ অসি জেনিমসতা মীওই ৬ অতে টেষ্টিং সেন্টরদা ৩৩ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। অনৌবা পোজিটিব কেসশিং অসি ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২০, বিষ্ণুপুর ২, ককচিং ১, চুরাচান্দপুর ১, উখ্রুল ১ নি।

পোজিটিব ওইবগী চাং ইম্ফাল ইষ্টতা মীওই ২৪৬ টেষ্ট তৌবদা ১৪ ওইদুনা চাদ ৫.৭ গী চাংদা পোজিটিব ওইখি। ইম্ফাল ৱেষ্টতনা মীওই ৫৬৯ টেষ্ট তৌবদা ২০ পোজিটিব ওইদুনা চাদ ৩.৫ ওইখি। চান্দেল, জিরিবাম, কামজোং, কাংপোকপি, নোনে, ফেরজোল সেনাপতি, তমেংলোং, তেংনৌপল, অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পুং ২৪ অসিদা পোজিটিব ওইবা অমত্তা য়াওখিদে।

অমরোমদা ষ্টেট লেবেল কোভিদ ১৯ দেথ ওদিট কম্মিতিগী রিপোর্টতা পুং ২৪ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অমমম কোভিদনা লৈখিদে। লৈখিদবা মীওই ২ মশাগী লায়না লৈজবা অমদি ভেক্সিন কাপথোকখিদবা মীওইশিংনি। মখোয় থারগা ষ্টেট অসিদা কোভিদনা শিখিবা ১৯৬৫ য়ৌখ্রে। ঙসিগী ওইনা মীওই ২৬ দিসচার্জ তৌখি। দিসচার্জ তৌখিবশিং হোম আইসোলেসনদগী ৫, রিমস ১, জেনিমস ৫, কোভিদ কেয়ার সেন্টরশিংদগী ১৫ নি। নবেম্বর ২৪ ফাওবদা মনিপুরগী অপুনবা পোজিটিব কেস ১২৫০৪৬ য়ৌখ্রে। লায়েংবদগী ফগৎলকপনা ১২২৩৮৩ নি। এক্টিব কেসতা মীওই ৬৯৮ লায়েংদুনা লৈরি। মখোয়গী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসনগী ৬৩১, সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেলদা ৬৭ নি। রিকোভরি রেটনা চাদ ৯৭.৮৭ নি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা দি তাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫৯৪, দি তাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ১২৬ ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা হেলথ ফেসিলিতিশিংদা ফংহনখি।

মখা তানা নবেম্বর ২৪ ফাওবদা ষ্টেট অসিগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা মীশিং ২১১৭৬৬৩ য়ৌখ্রে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপ্পনা ১২৭২৯৪৫ নি। অনিশুবা দোজ কাপথোকপনা ৮৪৪৭১৮ নি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা ভেক্সিন কাপথোকপগী চাংনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অহানবা দোজ চাদ ৬৬.৪০, অনিশুবা দোজ ৪১.১১, চান্দেল অহানবা দোজ চাদ ৬৪.৭৫, অনিশুবা দোজ ৪৩.৯৫, চুরাচান্দপুর অহানবা দোজ চাদ ৫৫.৫৮, অনিশুবা দোজ ৩৭.৭৪, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ চাদ ৬৭.৬০, অনিশুবা দোজ ৪৬.০০, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ চাদ ৭০.৯৪, অনিশুবা দোজ ৫১.৪৯, সেনাপতি অহানবা দোজ চাদ ৩০.২৩, অনিশুবা দোজ ২১.৮৮, তমেংলোং অহানবা দোজ চাদ ৩৭.১৪ নি, অনিশুবা দোজ ২৪.৮২, থৌবাল অহানবা দোজ চাদ ৫৬.১৫, অনিশুবা দোজ ২৮.৮২, উখ্রুল অহানবা দোজ চাদ ২১.৬৫, অনিশুবা দোজ ১৫.৮১, তেংনৌপল অহানবা দোজ চাদ ৪৪.৪৬, অনিশুবা দোজ ২৪.৯৭, কাংপোকপি অহানবা দোজ চাদ ১৭.৯৪, অনিশুবা দোজ ১০.৭৭, কামজোং অহানবা দোজ চাদ ২৯.৯৫, অনিশুবা দোজ ১৯.৪৯, জিরিবাম অহানবা দোজ চাদ ৭০.৪১, অনিশুবা দোজ ৫৩.৯৯, ফেরজোল অহানবা দোজ চাদ ৩২.১৪, অনিশুবা দোজ ২৭.৭৯, নোনে অহানবা দোজ চাদ ৩৬.৭৯, অনিশুবা দোজ ২৫.০১, ককচিং অহানবা দোজ চাদ ৭১.০৯, অনিশুবা দোজ ৪৫.০৯ নি।

মনিপুরগী ওইনা অপুনবা ভেক্সিনেসনগী চাং অহানবা দোজ চাদ ৫৪.৩৮, অনিশুবা দোজদা ৩৬.০৮ নি।

এন পি পি না সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইগনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ লাক্কদৌরিবা মনিপুরগী মীখল অসিদা নেস্নেল পিপলস পার্টি (এন পি পি) না সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইগনি। পার্টি অসিগী সেন্ত্রেল ইলেক্সন কম্মিতি শেমদুনা কনাদা পার্টিগী তিকেৎ পিগদগে হায়বদু অথুবা মতমদা লেপথোক্লগনি হায়না এন পি পি গী নেস্নেল প্রসিদেন্ট, মেঘলয়াগী চিফ মিনিষ্টর কোনার্দ সংমানা হায়খ্রে।

লাক্কদৌরিবা মনিপুরগী মীখলদা য়াইস্কুল কেন্দ্রদা এন পি পি গী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেৎ ওইরিবা ঐচ বিক্রমজিৎকী পাৎশোইদা লৈবা য়ুমদা পাংথোকখিবা এন পি পি গী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেৎশিং ওকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি কোনার্দ সংমানা হায়খিবনি। থৌরম অদুদা এন পি পি মনিপুরগী প্রসিদেন্ট কাইসি, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এল জয়েন্তকুমার নেস্নেল ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই জয়কুমার, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেৎশিং কোন্থৌজম কেন্দ্রগী কে শরত, ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী এম রঞ্জিৎ, হিয়াংলম কেন্দ্রগী এম ধনবিরসু য়াওখি।

কোনার্দনা হায়খিদা পার্টি অসিগী কেন্দিদেৎ ওইনবা তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রশিংদগী মীওই কয়া লেপ্পুনা লাক্লি। মরম অদুনা কনাদা তিকেৎ পিরগা ফগনি হায়বদু ইলেক্সন কম্মিতিনা খন্নরগা অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি। লাক্কদৌরিবা মনিপুরগী মীখল অসিদা নহাশিংনা মশিং য়াম্না মায়পাক্কনি হায়না থাজে। দেমোক্রেসিদদি দিসিপ্লিন অসি য়াম্না মরু ওই। দিসিপ্লিন য়াওদবা ওর্গনাইজেসন অদু মাংলোমদা চংশিনবা ঙম্লোই। পার্টিগী লুচিংবশিংনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অদু মীওই খরনা পামদবা য়াওরকপা য়াই। অদুবু ৱারেপ অদু পার্টিগী মীওই খুদিংমক্না ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই হায়খি।

পনবা য়াবদি এন পি পি গী নেস্নেল প্রসিদেন্ট অসি লাক্কদৌরিবা মনিপুরগী মীখলগা মরি লৈননা পার্টি অসি মনিপুরদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পোরম য়াৎপা লাকখিবনি। মীখলদা এন পি পি গী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেৎ ওইরিবা খরগী পোলিটিকেল কনফরেন্সতা শরুক য়াখিবনি।

লুপ ৬ না খোঙজং চংশিনখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ মনিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর নিয়ম লান্না হাপ্লি হায়দুনা মহৈরোয় লুপ ৬ এমসু, দেসাম, এইমস, কে এস এ অমসুং সুক্না য়ুনিভর্সিতি অসিদা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা দেসামগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল এম সোমোরজিৎনা হায়খিবদা য়ুনিভর্সিতি কুমজা ২০১৬ দা লীংখৎখিবনি। য়ুনিভর্সিতি অসিগী য়াম্না লাইবক থিবা অদু ওইবদগী মহৈরোয় লুপ ৬ না খোঙজং অসি চংশিনবনি। য়ুনিভর্সিতি অমগী য়াম্না মরু ওইবা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা ভাইস চাঞ্চেলরগী ফম অসি নিয়মগী ৱাংমদা হাপচিল্লে।

ꯑꯩꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯊꯤꯔꯤ

[illegible]

ঙাকিজৌ য়োকপগী ত্রেনিং পাংথোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা নোংদম খুলদা লৈবা নিউ এজ গ্লোবেল গার্দেনগী ওফিস্তা ঙসি ত্রেনি ২০ না শরুক য়াদুনা মতৌ করম্না ঙাকিজৌ য়োক্কদগে হায়বগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ঙাকিজৌ রিয়ারিং কম মিট দি এক্সপরিয়েন্স (সেকেন্দ বেটচ) থৌরম পাংথোকখ্রে।

নিউ এজ গ্লোবেল গার্দেনগী প্রোপাইটর অনন তখেল্লম্বনা হায়খিবদা লমদমসিদা মরাং কায়না ফংলম্বা ঙাকিজৌ, ইন্দিজিনিয়স ফিস অসি ঙসিদি মনিপুরদগী মুৎখিবগা পাংখক ওইরে। মরম অদুনা লমদমসিদা অমুক হন্না মরাং কায়না ফংহন্নবগী পান্দমদা ঙসিগী ত্রেনিং অসি পাংথোকপনি হায়খি।

মেনেজিং দাইরেক্তর সগোলশেম সমানন্দনা হায়খিবদা লৌবুক লমহাংদা বেত্তরি করেন্ট শিজিন্নদুনা ঙা লোইনমক ফাদোকপগী হৈনবী অসি থাদোক্লসি হায়না আপিল তৌখি। লোইননা ত্রেনিং অদুগা মরি লৈননা সার্টিফিকেৎ য়েন্থোকখি। হৌজিক অহুমশুবা বেটচকী ত্রেনিং পাংথোক্লবা শেম শারে হায়রি।

সর্ভে লেপহন্নবা ৱাফম য়ানিংদে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী নবেম্বর ১০ দা দাইরেক্তর ওফ সেত্তলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দ মনিপুর লৈঙাক্না থোকখিবা ৮৪ (এ) পুমলেনপাৎ ভিল্লেজ কন্সত্রক্সন সর্ভে ওর্দর অমগী মতুং ইন্না দাইরেক্তর ওফ সেত্তলমেন্ট ওফিস এ এস এন্দ এস ও ককচিং অমসুং ৮৪(এ) পুম্লেনপাৎ ফার্মস দেভলপমেন্ট কম্মিতিগা পুন্না খুৎশম্নদুনা হৌজিক চথরিবা লেন্দ সর্ভে অসিদা পুম্লেনপাৎ খোইদুম লমজাও কনবা অপুনবা লুপ্না পাউচেগী খুথাংদা মীয়াম্নু চমম্নবা ৱাফম কয়া ফোংদোরক্কুনা সর্ভে লেপহন্নবা হোৎনরকপা অসি য়ানিংদে হায়না ৮৪ পুম্লেনপাৎ ফার্মস দেভলপমেন্ট কম্মিতিগী চেরোলদা হায়রি।

কম্মিতি অসিগী সেক্রেটরি এস চাওবগী চেরোলদা হৌজিক পুম্লেনপাৎতা চথরিবা ভিল্লেজ কন্সত্রক্সন সর্ভে অসি লমদমসিগী মীয়াম্না দিপার্টমেন্টতা হায়জদুনা পায়খৎলকপনি। মরম অসিনা সর্ভে অসিদা চংগদবা মচাক মথুম অমসুং ওফিসিয়েল মেন্টিনেন্স খুদিংমক মীয়াম্না পুথোকপনি। মরম অসিনা মীয়ামগী শেলগী ওইবা কন্ত্রিব্যুসন তৌবনি।

কন্ত্রিব্যুসন অসি পিদ্রবদি মশা মশানা দখল তৌরিবা লৌফমশিং অদু দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট লেন্দ ওইনা থম্নবা হায়রি। পুম্লেনপাৎ খোইদুম কনবা অপুনবা লুপ্না ফোংদোরকপা ৱাফমদা হৌখিবা কুমজা ২০০০ দা ভিল্লেজ সর্ভে তৌদুনা পত্তা শাদুনা মতম অদুগী রেভিন্যু মিনিষ্টরনা লৌমীশিংদা পিরেম্ন হায়রিবা অসিগী চপ চাবা খুদম চাংদম পুথোকপিয়ু। এসোসিসেন অমদি মীয়ামদা করিগুম্বা অমত্তা খংহনবা তৌরমদনা পাউচেদা মীয়াম্নু চম্নহনবা ৱাফম হাপ্লেকপা অসি য়ানিংদে হায়রি।

লাক্কদৌরিবা মীখলদা বি জে পি মায়পাকহন্সি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ মীয়ামগী পুন্সি হেন্না নুংঙাইহন্নবা অমদি মখা তানা মনিপুরবু মাংলোমদা পুখৎনবা লাক্কদৌরিবা মনিপুরগী মীখল অসিদা বি জে পি গী লৈঙাক লৈহন্সি। উরিপোক কেন্দ্রদা থন্বাল শাৎহন্দুনা শরুক য়াহৌসি হায়না উরিপোক কেন্দ্রগী বি জে পি গী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেৎ ওইরিবা বি জে পি মনিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম মিনাবন্তনা হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি উরিপোক অচোম লৈকায়গী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাংথোকখিবা নোংমগী ওইবা হিয়ারিং মেদিকেল চেক অপ অমদি হিয়ারিং এদ য়েন্থোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা মিনাবন্তনা হায়খিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন অনিগী মখাদা মনিপুরদা অহোংবা অমা পুরক্লিবা অসিদা লাক্কদৌরিবা মীখলদা উরিপোক কেন্দ্রদা বি জে পি গী মীহুৎ থাগৎহৌসি। বি জে পি গী তিকেৎ পিরকপা মীওইদা পুন্না শৌগৎমিন্নসি।

কোভিদ লায়চৎকী খম থেংনা ৱানরবা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীওইবগী পুন্সি কন্নবগী থৌরাংগা লোইননা মীয়ামগী অৱাবা কোক্লনবা থা ৮ রোম লেম্না চেং ফংহনখিবা মীয়ামগী লুচিংবা অমত্তা লৈখিদ্রি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা হিয়ারিং এদ ১৫০ য়েন্থোকখি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ

CANCHI INDANE (Home delivery 0nly)
Bk: **uptodate (19 kg & 5 kg Ujjawala Available)**
Kwakeithel - **8794191632, 6909634960**
Naorem leikai - **7005210401, 7005352782**
Contact Timing : 8 a.m. to 11 a.m. (Home delivery within 4 day)

IMPHAL LPG SERVICE
Bk: **12/11/21 (ujjawala connection available)**
(Late arrival of Stock at 10 am date 3-8-21 Imphal LPG service Home delivery only.) Update Gas card with Fresh Photo cont. Office no. 6009392991
Enquiry No. : **6009392991, 9362654114,3853560556**
Enquiry time 8.30 a.m. to 12.30 p.m.

KHORIPHABA GAS, Nambol (Home delivery 0nly)
Bk/ Upto: **uptodate**
Home delivery Contact No. **9366471778, 8837349474, 8787632782**
For Enquiry 9612337528 (8.00 a.m. to 12 Noon)

চহিসিদা নুপী অঙাংদা ভাইওলেন্স কেস ১৩৫ নবেম্বর ২৩ ফাওবদা চথখি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ চহি অসিগী জনুৱারি ১ দগী নবেম্বর ২৩ ফাওবদা মনিপুরদা নুপী অমদি অঙাংগী মথক্তা ভাইওলেন্স কেস ১৩৫ চথখি হায়না ৱুমেন এক্সন ফোর দেবলপমেন্ট (ৱাদ) কী চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি। ৱাদনা দোকুমেন্ট তৌবা রেকোর্দতা চহি অসিদা চথখিবা ভাইলেন্স কেসশিং অসি ২৯ না রেপ কেস, গেঙ রেপ কেস ১, নুপী হাৎপগী কেস ৬, মশা মথন্তা সুইসাইদ তৌদুনা শিজখিবা কেস ৫, চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিরম্বা ৯, মোলেষ্টকী কেস ৪, ফুবি চৈবিবগী কেস ২১, মফম খংদনা মাংখিবা কেস ২২, রেপ তৌনবা হোৎনরম্বা কেস ২, অঙাং উন্নবদা লৈখিদবা কেস ২, অঙাং উন্নবদা ফুবি চৈবিবগী কেস ১, দেমোষ্টিক ভাইওলেন্স কেস ১, পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং নুপীমচা হুন্দোক্লম্বগী কেস ১, হাৎনবা থৌরাং তৌরম্বা কেস ৩, নমদুনা অঙাং লুহোংনবা থৌরাং তৌরম্বা কেস ৪, মীয়ামগী ইহৌ নমথনবা হোৎনবদা নুপী ৯ শোকখি। নুপীদা ইকায়বা পিবগী কেস ১, নমদুনা ফাখিবগী কেস ৫, সাইবর ক্রাইম ৪, চেকশিনবা ৱাৎপদগী লায়েংবদা শিখিবা কেস ৫ নি। অপুনবা কেস ১৩৫ অসিগী মনুংদা ২৭ না ইম্ফাল ইষ্টতা, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৩১, থৌবালদা ২৭, বিষ্ণুপুরদা ১১, উখ্রুলদা ৫, কামজোংদা ২, চান্দেলদা ২, তমেংলোংদা ৪, কাংপোকপিদা ৩, চুরাচান্দপুরদা ৮, ককচিংদা ৭, ষ্টেটকী মপান্দা ৩, জিরিবামদা ২, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা ৩ থোকখি। নুপী অঙাংদা চথবা ভাইওলেন্সগী থৌদোকশিং অসিদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী চাওনা খুৱৌ থাংবা মায়োক্লরিবা অসি কষ্টমরি লোনা ওইরি। মপুং ওইনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা থোকপা নুপীগী মথক্তা চথবা ক্রাইমশিং আইনগী ওইবা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা থাইনদগী চৎনরকপা নুপীশিংদদি থোইনা ঙাকলৌ পিদবা কষ্টমরি লোশিংনা চাওনা অপনবা থোক্লি। রেপ কেসশিংদা ভিক্তিম অমদি ইমুং মনুংশিং মরাল লৈবা মীওইনা কষ্টমরি লোগী মিংদা ওক নৎত্রগা ষন কোংলগা কেস লোইশিনবগী থৌদোক তোয়না থোকপদগী ভিক্তিমশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙমদনা লৈরি।

মরম অসিনা মতমগা চুনদ্রবা কষ্টমরি লোশিং অসি খরা হেন্না নুপীশিংদা ঙাকলৌ পিগদবা লোনা শিন্দোকপগী তঙাইফদবা লাক্লে হায়রি। ঙসিদি নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিং থেংননবা খোঙজংলোই অমদি ক্রাইমদা হিংহৌরবা কয়াগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লক্কুনা মীয়ামদা থৌদোকশিং অসিগী ফত্তবদু অমদি মাংজবা কয়া খংহনবা নুপীগী ৱাকৎ য়ৌহনবা ঙম্লবসু থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি য়েংশিনবা লেপ্পদি য়াদ্রে। নুপী অঙাংগী মথক্তা চথবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং লোয়শিনহন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা হেন্না মীৎয়েং চংবা অমদি থবক ওইনা পায়খৎপগী তঙাইফদসু লৈরি। কোভিদ ১৯ গী লায়না লায়চৎকী অৱাবা মরক অসিদা নুপী অঙাংদা চথবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং নাথৈরগা থম্বগী মহুত্তা ষ্টেটকী তৌফম থোকপা মথৌশিংগী মনুংদা অমা ওইহনগদবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌদুনা নুপীগী মথক্তা চথবা ভাইওলেন্স থৌদোকশিং লোয়শিনহন্নবা থবক পায়খৎপিয়ু হায়না ৱার্দকী চেরোল অসিনা অপিল তৌরি।

অমরোমদা মালেম পুম্বগী ওইনা নুমিৎ ১৬ নি চথগদবা জেন্দর বেজ ভাইওলেন্সকী মায়োক্তা নবেম্বর ২৫ দগী দিসেম্বর ১০ ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেন রাইটস দে ফাওবা চংশিনগদবা খোঙজং অসিদা ৱাদসু শরুক য়াগনি। হৌখিবা চহি কয়াদা ৱাদনা জেন্দর বেজ ভাইওলেন্সকী মায়োক্তা চংশিনবা মালেমগী খোঙজং অসিদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। নুপীগী মায়োক্তা চংশিনবা খোঙজং কুমজা ২০৩০ ফাওবদা লোয়শিনহন্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কেম্পেইন চথরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা হন্দক চহি অসিদা ওরেঞ্জ দ ৱার্ল্ড ঃ এনদ ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱুমেন নাও হায়বা পাউজেলগী মখাদা থৌরমশিং পাংথোক্কদৌরি। কোমলা মচুগী কেম্পেন অসিনা হেন্না মশেক মঙাল নাইবা তুংগী লম্বী অমা উৎপা খংনদুনা ভাইওলেন্স লৈতবা খুন্নাই অমগী পান্দমদা খোঙজংশিং অসি চথগদবনি হায়রি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নার সেনাপতিনা লৈঙাক্কী স্কিমগী কান্নবশিং বিনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকপা

সোরা হায়স্কুল শেমজিন শাজিল্লু হায়দুনা সোরা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা ফোংদোকখিবা

নোংদম খুলদা অনিশুবা বেটচকী ওইনা ঙাকিজৌ য়োকপগী ত্রেনিংদা শরুক য়াখিবশিং